২শুবা মেন্স ভিলেজ লেভেল ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# সেমী ফাইনেলদা এস ৱাই সীনা মিখ্যাগা অমসুং কে ৱাই এল এস সী-এনা কে এল ৱাই জি সীগা থেঙ্গাইনরগনি



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস) : কাচিখুল য়ুথ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস ক্লব (কে ৱাই এল এস সী), কাচিখুলনা শিন্দুনা এপ্রিল ৪ ফাওবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ২শুবা মেন্স ভিলেজ লেভেল ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী সেমী ফাইনেলদা এস ৱাই সী সতুদাইনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালগা অমসুং কে ৱাই এল এস সী-এ কাচিখুলনা কে এল ৱাই জি সী কামোংগা থেঙ্গাইনরগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লুনা পাঙথোকপা ২শুবা মেন্স ভিলেজ লেভেল ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস ৱাই সী সতুদাইনা আর ৱাই সী মোইদাংপোকপু ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-১৮, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীরনদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালনা ৱাই দি ও খুরখুলবু ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-১৬, ২৫-১৯) দা মায়থীবা পীরনদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কে এল ৱাই জি সী কামোংনা ঐচ ৱাই দি ও হৈগ্রুজমবু ৩-১ (২৩-২৫, ২৫-১৪, ২৫-২১, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীরনদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহুমশুবা টিম ওইখি। অদুগা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতনা কে ৱাই এল এস সী-এ কাচিখুলনা এন ৱাই দি সী খাইদেমবু ৩-২ (২৫-১৪, ২৬-২৮, ২৫-২৩, ২২-২৫, ১৬-১৪) দা মায়থীবা পীরনদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা মরিশুবা টিম ওইখিবনি।

এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট

# মণিপুরগী বুশন্না বোইজ সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস) : মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন (আই দি টি এ) না শিল্লগা লম্ফেল পাৎত লৈবা আইদিটিএগী টেনিস কোর্টতা পাঙথোকপা এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বোইজ সিঙ্গলসকী টাইটল মণিপুরগী হাওবম বুশন্না লৌখ্রে।

এ আই টি এ সুপর সেরিজ অন্দর-১৪ নেসনল রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট অসিগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ২০শুবা সীদতা লৈরিবা মণিপুরগী হাওবম বুশন অমসুং ৫শুবা সীদতা লৈরিবা অরুনাভা মজুমদরগা শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুরগী হাওবম বুশন্না অরুনাভা মজুমদরবু ৬-১, ৭-৬ (১০-৮) তা মায়থীবা পীরগা বোইজ সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখিবনি। অদুগা ফাইনেল মেচতা মায়থীহৌরবা অরুমনাভা মজুমদরনা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবনি।

গার্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেলদনা অনীশুবা সীদতা লৈরিবা পারি সিং অমসুং টোপ সীদতা লৈরিবা মানা মেখলা শান্নখি। মেচ অদুদা মানা মেখলানা পারি সিংবু ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীরনদুনা গার্লস সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখি। ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা পারি সিংনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

## ওইনাম চার্লি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস) : সোসিএল এনভাইরোনমেন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এস ঈ দি ও) না শিল্লগা শিংজমৈ সাপম লৈকায়দা লৈবা এস ঈ দি ও (সেদো) গী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম এস এফ হোদাম লৈরক, সুরমা এফ সী-এ ৱাংজিং, এল ৱাই য়ু ওল্ড লম্ফুলেন্দ অমসুং মামা এফ সী শগোলবন্দ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৮না গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্লুনা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৩৫শুবা মেচতা এম এস এফ হোদাম লৈরক্না বোলেরো বামোন লৈকায়বু গোল ২-০দা, ৩৬শুবা মেচতনা সুরমা এফ সী-এ ৱাংজিংনা দিনাই এফ সী হৈরোকপু গোল ২-১দা, ৩৭শুবা মেচতনা এল ৱাই য়ু ওল্ড লম্ফুলেন্দনা ৱাই পি সী লাঙ্গোল ভিলেজপু ৩-১দা অমসুং ৩৮শুবা অমসুং ঙসিগী অরোইবা মেচতনা মামা এফ সী শগোলবন্দনা য়ু এফ সী উৎলৌবু গোল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা টি সুবোল মেমোরিএল ভেটরান টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# নাপসা খা ইম্ফালনা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস) : মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অনীশুবা টি সুবোল মেমোরিএল ভেটরান টি-২০ ক্রকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা মেচতা নাপসা খা ইম্ফালনা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্লুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা টি সুবোল মেমোরিএল ভেটরান টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদগী নাপসা খা ইম্ফাল অমসুং মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখা শান্নখি। মেচ অদু মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখানা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখানা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৩ লৌখি। মোদেল ক্লব-বিগী এস সুনিলনা বোল ৩৫দা রন ৩৯, প্যালালনা বোল ২১দা রন ২৪, দেমিন্না বোল ১৭তা রন ১৬ অমসুং অজিৎনা বোল ১৭তা রন ১৫ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালনা ওভর ১৭.৩দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৪ লৌদুনা মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখাবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখিবনি। নাপসাগী বোগেন্দ্রোনা বোল ২৩দা রন ৪১, রতনকুমারনা বোল ৩৮দা রন ২৭, কেশোরজিৎনা বোল ১৭তা রন ২২ অমসুং সুরজিৎনা বোল ৮দা রন ১০ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা নাপসা খা ইম্ফালগী সুরজিৎনা ওভর ৩দা ৱিকেট ৩, গৌতম্না ওভর ৪দা ৱিকেট ২ অমসুং বোগেন্দ্রোনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখাগী প্যালালনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২, চাউবনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ অমসুং রোমিনা ওভর ৩দা ৱিকেট ১ লৌখিবনি।

মেচ অদুদা বোল ২৩দা রন ৪১ অমসুং ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখিবা নাপসাগী বোগেন্দ্রোনা মেন ওফ দি মেচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা এপ্রিল ৮দা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং দি এস য়ু ক্বাকৈথেল শান্নগনি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস) : মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুসন্দা লাক্লিবা এপ্রিল ৭তগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ফোর রিকর্ভ মেন এন্দ ৱিমেন্দা শরুক য়াগদবা মণিপুর আর্চরি টিমগী রিকর্ভ অমসুং কম্পাউন্দগী আর্চরশিং অমসুং ওফিসলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুর টিমদা শরুক য়ারিবা রিকর্ভকী নুপী আর্চরশিং অদুদি টি ঐচ সনায়াই, ৱাই অনুপমা, লুমিলা ফুংশোক অমসুং বি লুসিনি। নুপাগী রিকর্ভতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুনা টি ঐচ সনাতোম্বা, এ জয়চন্দ্র, এন সুভাসচন্দ্রা মীতৈ অমসুং টি ঐচ সনায়াইমনি। রিকর্ভকী টিম ওফিসলশিং অদুনা কোচ ওইনা বি গুনিচা অমসুং ছটিশকুমার দুবেনি। অদুগা মেনেজরনা এম জামিনিনি।

নুপীগী কম্পাউন্দ ইভেন্টকী শান্নরোয়শিং অদুনা পাওনম লিলি চনু, এম রুপম, এস ঐচ মনোরমা অমসুং আর কে সৈত্যপ্রিয়ানি। নুপাগী কম্পাউন্দ শান্নরোয়শিং অদুনা জি রোবার্টশর্ম্মা, এম বিক্রম, এস সোমোরজিৎ অমসুং এস রাজেন্দ্রোনি। কম্পাউন্দগী ওফিসলশিং অদুনা কোচ ওইনা এ সোনাচান্দ শর্ম্মা অমসুং সী ঐচ শান্ত, মেনেজর ওইনা এল প্রকাস অমসুং এম বাদলনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ —৬৮


১) ৱর্ল্ড জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা নুপীমচা অমা চহী কয়ামুক শরুক য়াবদা সনা, লুপা অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল পূন্না ৪০ হেন্না ফংখি। তৌইগুম্বসুং ওলেম্পিক গেমসতদি সনাগী মেদল অমা ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। জজ তরুক্না মীচং মীখাই নাইদুনা মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা য়াবা অমসু ফংহৌদে। মহাক কনানো?

২) মহাক কানপুরদা পোকই। ইংলেন্দগী টেষ্ট ক্রিকেটরনি। ইন্দিয়ানা মনীং তমদ্রিঙৈদা মহাক্কী মপা উত্তর প্রদেশকী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইখি। মহাক মপুন্সিগী অরোইবা শরুক্তা পাকিস্তানগী কোচ ওইখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৩) নেসনল গেমসতা সনাগী মেদল ১২, লুপাগী মেদল ৩, শেঞ্জেংগী মেদল ১ ফংখি; এসিয়ন গেমসতনা সনাগী মেদল ১, লুপাগী মেদল ১ ফংখি; ওলেম্পিক গেমসতসু শরুক য়ারুই, সিফাইগী সুবেদারসু কাখি, থবক্তগী পোথারবা মতুংদা য়াম্না ৱানা শেল থুমগী ফীভম ফত্তবদগী লৈখিদ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদু কনানো?

৪) 'কৌনা ফুক্কুম ফুক্তোক্কে'
'থম্বৌ থেক্কুম থেক্তোক্কে'
করম্বা মশান্নদা মথক্কী ৱাহৈশিং অসি হায়দুনা শান্নবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫ নোংমাইজিং, নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


«গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স»

পূক্নিং চঙলো : সপ্লায়রশিং, রিসিপিএন্টশিং অমসুং ত্রান্সপোর্টরশিং!

ঈ-ৱে বিল সিষ্টেম

চৎনবা হৌরে

হেন্না থুবা, অপনবা লৈতবা অমসুং অরায়বা মওংদা ষ্টেটশিংগী মরক্তা পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন য়াহন্নবগীদমক



পোৎ চৈশিংগী সপ্লায়রশিং/রিসিপিএন্টশিংনা খঙজিনগদবা মরু ওইবা পোইন্টশিং

- ষ্টেট মশেল মরক্তা পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌবগী ঈ-ৱে বিল এপ্রিল ১, ২০১৮দগী ইমপ্লিমেন্ট তৌরে।
- নহাক্কী জি এস টি আই এন শীজিন্নদুনা ঈ-ৱে বিলগী পোর্টেল হায়বদি http://ewaybillgst.gov.in দা নহাক্না রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি।
- কন্সাইনমেন্টগী ভেল্যু লুপা ৫০,০০০/- হেল্লবা মতমদদা ঈ-ৱে বিল জেনরেট তৌগনি, ভেল্যু অদুদা টেক্স য়াওই তৌইগুম্বসুং ইগজেম্পট তৌবা পোৎ চৈশিংগী ভেল্যুদি য়াওদে।
- জোব-ৱার্ক্কা মরী লৈনবা পোৎ চৈশিং পুথোক-পুশিন তৌবগী মতাংদদি, সপ্লায়র নৎত্রগা রেজিষ্টর তৌরবা জোব-ৱার্কর অদুনা ঈ-ৱে বিল জেনরেট তৌগদবনি।
- সপ্লায়রনা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ত্রান্সপোর্টর, কোরিয়র এজেন্সি অমসুং ঈ-কম্মর্স ওপরেটরদা ঈ-ৱে বিলগী পার্ট-এ মেনশিন্নবা ওথোরাইজ তৌবা ঙমই।
- সপ্লায়রগী মপূং ওইবা বিজিনেসকী মফমগা ত্রান্সপোর্টরগী বিজিনেসকী মফমগা লাপ্পবগী চাং কিমি ৫০দগী তারবদি ঈ-ৱে বিলগী পার্ট-বি চঙলোই। ঈ-ৱে বিলগী পার্ট-এদমক মেনশিনবা চঙগনি।
- রিসিপিএন্টনা কন্সাইনমেন্ট য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী মরমদা খঙহনবগী মতমনা মরী লৈনবা ঈ-ৱে বিলগী ভেলিদিটিগী মতম ওইগনি নৎত্রগা পুং ৭২, অঙনবসু লৈগনি।
- রেলৱেজ নৎত্রগা এয়র নৎত্রগা ভেসেলনা পোৎ চৈশিং পুবা তারবদি রেজিষ্টর্দ সপ্লায়র নৎত্রগা রেজিষ্টর্দ রিসিপিএন্ট খক্তনা জেনরেট তৌগনি, ত্রান্সপোর্টরনা তৌরোই, অমসুং মদুমক পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন হৌরবা মতুংদসু জেনরেট তৌবা য়াগনি।
- সপ্লায়র/রিসিপিএন্ট নৎত্রগা ত্রান্সপোর্টরনা অতোপ্পা রেজিষ্টর্দ তৌরবা নৎত্রগা ইনরোল তৌরবা ত্রান্সপোর্টরদা ঈ-ৱে বিল নম্বর পীবা য়াই।
- ঈ-ৱে বিল অসি তোঙান তোঙানবা মোদশিং হায়বদি ৱেব (ওনলাইন), এন্দ্রোইদ এপ, এস এম এস, বল্ক অপলোদ টুল শীজিন্নদুনা অমসুং এ পি আই বেজ সাইট টু সাইট ইন্টিগ্রেসন তৌবনচিংবনা জেনরেট তৌবা য়াগনি।

পোৎ চৈশিংগী ত্রান্সপোর্টরশিংনা খঙজিনগদবা মরু ওইবা পোইন্টশিং

- নহাক্কী জি এস টি আই এন শীজিন্নদুনা ঈ-ৱে বিলগী পোর্টেল হায়বদি http://ewaybillgst.gov.in দা নহাক্না রেজিষ্টর তৌবা য়াই। নহাক্কী জি এস টি আই এন লৈত্রবদি নহাক্না পোর্টেল অসিদা জি এস টি আই এন য়াওদ্রবসু ইনরোল তৌবা য়াগনি।
- কনভেয়ন্স অমগী কন্সাইনমেন্ট পূম্নমক্কী অপূনবা ভেল্যু লুপা ৫০,০০০/-দগী হেল্লবসু কন্সাইনমেন্ট অমদা য়াওরিবা পোৎ চৈশিংগী ভেল্যু লুপা ৫০,০০০/- দগী তারবদি ঈ-ৱে বিল চঙলোই।
- রেলৱেজদা ঈ-ৱে বিল জেনরেসন তৌহন্দ্রে অমসুং পুহন্দ্রে। তৌইগুম্বসুং রেলৱেজনা ইনভোইস নৎত্রগা দেলিভরি চালান অসিনচিংবদি পুগদবনি। অদুম ওইনমক, রেলৱেজনা পোৎ চৈশিং দেলিভর তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা রিসিপিএন্ট অদুনা ঈ-ৱে বিল পুথোক্কদবনি।
- ঈ-ৱে বিলগী ভেলিদিটি মতম মনুংদা পোৎ চৈশিং ত্রান্সপোর্ট তৌবা য়াদ্রবদি, ত্রান্সিপমেন্টদা নৎত্রগা য়াম্না তঙাইফদবা ফীভম লাকপদা ত্রান্সপোর্টর অদুনা ভেলিদিটিগী মতম শাংদোকপা য়াই।
- ফোর্ম জি এস টি ঈ দব্লিয়ু বি-০২দা ত্রান্সপোর্টরশিংনা কন্সোলিদেটেদ ঈ-ৱে বিলশিং জেনরেট তৌবা য়াই।
- পোৎ চৈশিং কনভেয়ন্স অমদগী অতোপ্পদা ত্রান্সফর তৌবা থোক্লবদি কনভেয়ন্সকী অকুপ্পশিং ত্রান্সপোর্টরনা ফোর্ম জি এস টি ঈ দব্লিয়ু বি-০১গী পার্ট বিদা অপদেট তৌগদবনি।
- টেক্স ওফিসর অমনা ভেরিফাইদ হেক তৌবগা কনভেয়ন্স অদুমক মরী লৈনবা অকক্লবা ইনফোর্মেসন ফংদবা তারবদি ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমত্তনা অনীরকশুবা ওইনা চেক তৌবা য়ারোই।
- ঈ-ৱে বিলগী ভেলিদিটি কিমি ১০০ ফাওবদি নোংমনি (ওভর দাইমেন্সেল কার্গোগীনা কিমি ২০)। কিমি ১০০ খুদিংগী নৎত্রগা মদুগী শরুক খুদিংগী নোংমা হাপচিনগনি। মরম অদুনা কার্গো পুগদবা লমশাং অদু কিমি ৫০০ ওইবা তারবদি ত্রান্সপোর্টরশিংনা ভেলিদ ঈ-ৱে বিলগা লোয়নবা কার্গো পুনবা নুমিৎ ৫নিগী মতম লৈ। ঈ-ৱে বিল জেনরেট তৌবা তারিখকী হেক মতুংগী নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা নোংমগী ভেলিদিটি লোইগনি।

davp 15502/13/0002/1819

ঈ-ৱে বিল সিষ্টেমগী অকূপ্পা মরোলশিংগীদমক -

ভিজিট তৌ www.ewaybillgst.gov.in দা
এফ এ ক্যু এস ফংবীগনি goo.gl/ic94rE দা

জি এস টি - অফবা অমসুং অচম্বা টেক্স অম

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ
কম্মসিএল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস/য়ুনিয়ন টেরিটোরিস
www.cbec.gov.in, www.cbec-gst.gov.in

ত্বিট তৌরকউ
@askGST_GoI দা
জি এস টিগা মরী লৈনবা ৱাহংগীদমক